# মুস্লিম ইমুং অমগী মীওই ৪ হাৎখিবা থৌদোক অদুগী মায়োক্তা মীওই কয়ানা রেল্লি চৎখ্রে




ওটাৱা, জুন ১২ (এজেন্সী) :
হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা কানাদিয়ন মুস্লিম ইমুং অমগী মীওই ৪ মশাগী চহী ২০ লোম শুরবা নথানিয়ন ভেল্টমান কৌবা ত্রক দ্রাইভর অমনা মহাক মশানা থৌরকখিবা ত্রক অদুনা অতম্লনা থোল্লগা হাৎখিবগী থৌদোক অদুবু লৈবাক অদুগী মীয়াম্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা থৌদোক অদুগী মায়োক্তা মশীং য়াম্লবা মীওই কয়ানা রেল্লি চৎখ্রে।
নথানিয়ননা মুস্লিম ফেমিলি অদুগী মেম্বরশিং অদুনা ময়ুম মনাক্তা নুমিদাংৱাইরম ৱার্কিং চৎলিঙৈদা ত্রকনা থোমদুনা হাৎখিবনি। থৌদোক অদুদা চহী ৯ খক্তা ঙাইরিবা নুপা মচা অমদি হিংহৌখি।
মীওইবগী মীনুংশি চেন্দবা অমদি কাঙলূপ মশেন উংখৎনহল্লকপা য়াবা থৌওং অদুবু কনাদিয়ন মীয়াম খক্তা নত্তনা মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংনসু অকনবা মওংদা কন্দেম তৌনরকখিবগা লোয়ননা থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা মীওই অদুবু লোগী ওইবা চপ চাবা চৈরাক পীনবা অকনবা মওংদা তকশিল্লক্লি।
ওন্তারিয়োদা ঙসি মশীং য়াম্লবা মীওই কয়ানা মুস্লিম ফেমিলি অদুবু ত্রকনা থোমদুনা হাৎখিবা মফমদুদগী হৌরগা কিলোমিটর ৭ লোম শাংনা রেল্লি চৎখি। রেল্লি অদুদা শরুক য়াখিবা মীওইশিংনা নুংশিবনা মতম খুদিংমক্তা মাং থারগা হিংমিন্নগদবনি, মীনুংশি চেন্দবা মীওইশিংগী লৈফম মালেমদা লৈতে হায়না থাবা প্লেকার্দশিংসু শীজিন্নখি।
লন্দনদসু ঙসি থৌদোক অদুগী মায়োক্তা মীয়াম্না রেল্লি চৎখিবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবশিং অদুগী মফমদা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ঈকায়খুম্নবা উৎখ্রে। রেল্লি অদুদা শরুক য়াখিবা মশাগী চহী ১৯ লোম শুরবা কোলেজ মহৈরোয় অব্দুলা অল-জারাদনা ফোঙদোকখিবদা লন্দনদা লৈরিবা মীয়াম্না নুংশি চান্নবা হিংমিন্নবা হোৎনরি অদুবু করিগুম্বা মতমদা অপিকপা ৱাখল্লোন চেনবা মীওইশিংনা কাঙলুপ মশেনগী মরক্তা নুংশিনহন্দনবা হোৎনবগী থৌওংশিং থোক্লি।
অসিগুম্বা থৌওংশিং অসিগী মখা পোন্না ঐখোয়না হিংলোইদবনি। অপিকপা ৱাখল্লোন চেবা মীওইশিং অসি ঐখোয়গী নুংশিবনা লাকশিন্নবা হোৎনগদবনি। মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদা ইস্লাম লাইনিং চৎপা মীওইশিংবু তাথি তাওইনা তৌবগী থবকশিং য়াম্না তোয়না থোক্লি। অসিগুম্বা থৌওংশিং অসিনা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপ মশেলগী মরক্তা ৱাখল্লোন খেন্নহল্লকপা অমদি অমনা অমবু নুংশিনরক্তবগী অচৌবা মরম অমা ওইহল্লকই। পনবা য়াবদি লাইবকথিবা থৌদোক অদুবু কনাদগী প্রাইম মিনিষ্টর জষ্টিননা টেরোরিষ্ট এটেকনি হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মরাল লৈবা মীওইগী মথক্তা চপ চাবা চৈরাক পীগনি হায়না ফোঙদোকখ্রবনি।

# প্রোটেষ্টতা শরুক য়াখিবা নহা ওইরিবা পেলিষ্টিনিয়ন অমা ইজরেল ফোর্সনা কাপ্পুনা হাৎখ্রে

জেরুসালম, জুন ১২ (এজেন্সী) :
ইজরেলনা ওকুপাইদ তৌদুনা লৈরিবা ৱেষ্ট বেঙ্ককী শরুক্তা ইজরেল সেক্যুরিটি ফোর্সকী কা হেনবা থবক থৌওংশিংবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা খোঙজং চঙশিনখিবা পেলিষ্টিনিয়নশিংগা সেক্যুরিটি ফোর্সশিংগা মুক্নবগী থৌদোক্তা সেক্যুরিটি ফোর্সনা নোংমৈ কাপ্পদগী চহী নৌরিবা পেলিষ্টিনিয়ন নহা অমা শিরে হায়না পেলিষ্টিনিয়ন ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরক্লি।
থৌদোক অসিগা মরী লৈননা পেলিষ্টিনিয়ন রেদ ক্রসেনা ফোঙদোকখিবদা সেক্যুরিটি ফোর্সকা খূৎ থোক্নবগী থৌদোক্তা লৈখিদ্রবা মীওই অদু মশাগী চহী ১৫ খক্তা শুরিবা অঙাংনি। মহাকপু ৱেষ্ট বেঙ্ককী মনুং চনবা নব্লুসকী খা থংবা শরুক্তা লৈবা বাইতা তাউনদা ইজরেল ফোর্সশিংনা কাপ্পুনা হাৎখিবনি।
জ্যুশিংনা মফম অদুদা ইলিগেল ওইবা মওংদা লম খোপচিল্লকপগী থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা পেলিষ্টিনিয়নশিংগী খোঙজং অদু চঙশিনখিবনি। খোঙজং চঙশিল্লিঙৈ মনুংদা ইজরেল সেক্যুরিটি ফোর্সনা খঙহৌদনা নোংমৈ কাপশিল্লকপদগী মীশি মীনাগী থৌদোক অদু থোকখিবনি।
পেলিষ্টিনিয়ন ন্যুজ এজেন্সি ৱাফানা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না ইজরেলি ক্রুপশিংনা খোঙজং চঙশিল্লিবা মীওইশিং তম্না লাইফ রাউন্দশিং, টিয়ার গ্যাস অমদি রব্বর কোটেদ ষ্টিল পেলেটশিং কাপশিনখি। ইজরেল সেক্যুরিটি ফোর্সনা চথখিবা কা হেনবা থবক থৌওংশিংনা মরম ওইরগা চহী অসিগী মনুংদা শিহনখিবা অঙাং মশীং ৮ শুখ্রে।
ইজরেল অমসুং হমাজকী মরক্তা সিজ ফায়র তৌনখ্রবসু মফম মফমদা উংখৎনবগী থৌদোকশিং থোকপদি লৈপত্রি। ইজরেল সেক্যুরিটি ফোর্সকী মতেং লৌদুনা জ্যুশিংনা ইলিগেল ওইবা মওংদা লম খোপচিনবগী থবকশিং লেপ্পা লৈতনা চখুরক্লি।
থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা অতোপ্পা কুফর কাদোম কৌবা খুঙ্গং অমদা পেলিষ্টিনিয়নশিংনা চঙশিনখিবা খোঙজং অমদসু সেক্যুরিটিগা মুক্নরকপদগী মশাগী চহী ১০ রোমতা শুরিবা অঙাং অমা মখোঙদা রব্বর কোটেদ ষ্টিল বুলেটনা পানবদগী শোকখিবগা লোয়ননা থা ৮ খক্তা ঙাইরিবা অঙাং অমসুং টিয়ার গ্যাসকী মৈখুনা মরম ওইরগা শ্বর হোনবদা চাওনা অকায়বা থোকহনখ্রে হায়রি।
কুফর কাদোমগী মীদিয়া কোওর্দিনেটর মুরাদ তৈৱিনা ফোঙদোকখিবদা ইজরেলি আর্মীশিংনা খুঙ্গং অদুদা লাইফ রাউন্দ কয়া কাপশিল্লকখ্রবা মতুং পেলিষ্টিনিয়ন রেসিদেন্সশিংগী য়ুমশিংদা চঙ চঙদুনা থি হুম্বগী থবক চখি অমদি য়ুমথকশিংদা ইজরেল সেক্যুটিরিশিংনা স্নাইপরশিং শীজিন্নদুনা লৈখি হায়রি।



## য়েক্লবশিংনা হোং কোংবু জিও পোলিটিক্সকী খোঙমী ওইহনবা পাম্লি

বৈজিং, জুন ১২ (এজেন্সী) :
চাইনানা হোং কোং মীয়ামগী য়াইফনবা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং অদুবু নাথৈরল্লগা হোং কোংগী মীয়াম্না চাইনাবু লান্না উহন্নবা মতম কয়াগী মমাংদগী হোৎনদুনা লাক্লি। হোং কোংগী অশেংবা য়েক্লবদি জিও পোলিটিক্সকী খোঙমী অমা হোং কোংবু ওইহন্নবা হোৎনরিবা মীওইশিং অদুনি হায়না হোং কোংদা লৈবা চাইনিজ গভর্ণমেন্টকী রিপ্রাজেন্টেটিভশিংনা ফোঙদোরক্লি।
চাইনাগী হোং কোং লাইজন ওফিসকী দিরেক্তর লুৱো উইনিংনা ফোঙদোকখিবদা চাইনাবু নমথনবা হোৎনরিবশিং হোং কোংবু খূৎলাই ওইনা শীজিন্নবা পাম্লি। হোং কোংগী মীয়াম্নসু অতোপ্পা লৈবাকশিংগী ইনফ্লুয়েন্সতা চত্তুনা চাইনাবু য়েক্লবা ওইনা লৌরি। হোং কোংবু খুদোংথিবদগী ঙাকথোক্লবা হোৎনরিবা অসি চাইনা খক্তনি হায়বসি মালেমগী মীয়াম্না খঙবদগী হোং কোংগী মীয়ামদা অরানবা ৱাফম কয়া হায়জিল্লি। অদুবু হোং কোং অমদি চাইনাবু মখোয়গী থৌইনশিন্না কৈদৌনুংদা তোঙান তাহনবা ঙমদে। হোং কোংগী মীয়ামনসু হীরম অসিগী মতাংদা নীংশিংগদবদি মখোয়গী অশেংবা য়েক্লবদি চাইনাবু লান্না উহন্নবা মখোয়দা অরানবা ৱাফম কয়া তমশিল্লিবা মীওইশিং অদুনি। হোং কোংগী চাওখৎ থৌরাংগীদমক চাইনানা মতম কয়াগী মমাংদগী থবক কয়া পায়খত্তুনা লাক্লি। মখা তানসু পায়খৎখিগনি হায়রি।

## ট্রাঞ্জিসনেল গভর্ণমেন্টকী লুচিংবনা অনৌবা কেবিনেটশিংগী মমিং লাউথোকখ্রে



বামাকো, জুন ১২ (এজেন্সী) :
থা ৯ গী মনুংদা অনীকরশুবা ওইনা মালিদা কু তৌদুনা পৱার পায়শিনখ্রবা লৈবাক অদুগী মিলিটরি চীফ অসিমি গ্বাইটানা মহাক মশাবু লৈবাক অদুগী ট্রাঞ্জিসনেল গভর্ণমেন্টকী প্রসিদেন্ট ওইনা লাউথোকখ্রবা মতুং মহাক্কী কেবিনেটতা লৈগদবশিংগী মমিং লাউথোকখ্রে।
মহাক্না লাউথোকখ্রবা কেবিনেট মিনিষ্টরশিংগী মনুংদা মিলিটরি লুচিংবা কয়া য়াওরি। গভর্ণমেন্ট অদুগী মরু ওইবা পোষ্টশিং মরু ওইনা দিফেন্স মিনিষ্টর, সেক্যুরিটি এন্দ নেস্নেল রিকনসোলেসন মিনিষ্টরগী ফমশিং মিলিটরি ওফিসরশিংদা খূৎশিন্নখ্রে। হীরম অসিগা মরী লৈননা ইরাই নুমিত্তা নেস্নেল টেলিভিজনদা হৌখিবা কুমজা ২০২০ দা লৈবাক অদুগী প্রসিদেন্ট ইব্রাহিম বোবাকরবু মফমদগী লৌথোকখিবা কু অদুদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা কোলোনেল সাদিও টামারানা লাউথোকখিবদা দিফেন্স মিনিষ্টরগী ফম পুনবগীদমক মহাক মশাবু খল্লকখ্রে।
মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা ট্রাঞ্জিসনেল গভর্ণর অসিনা লৈবাক অদুগী মীয়ামগী অপাম্বা মতুং ইন্না থবক তৌগনি। অমদি কুমজা ২০২২ গী ফেব্রুৱারী থাদা ইলেক্সন পাঙথোক্লবা পান্দম থল্লি। মরক অসিদা মীয়াম্না ঈংনা তপ্না লৈনবা খঙহল্লকখিবগা লোয়ননা ট্রাঞ্জিসনেল গভর্ণমেন্ট অসিগী মায়োক্তা থবক চথুরকপা মীওইশিংগী মথক্তা লিগেলগী ওইবা এক্সনশিং লৌখৎকনি হায়রি।
পনবা য়াবদি মমাংদা লৈরম্বা ট্রাঞ্জিসনেল গভর্ণমেন্ট অদুদা অসিমি গ্বাইটা ভাইস প্রসিদেন্ট ওইনা লৈরমখিবনি। মদুগী মতুং মহাকপু হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিত্তা মালিগী ইন্টরিম প্রসিদেন্ট ওইনা ৱাশক লৌখিবনি। মহাক্না প্রসিদেন্ট ওইরবা মতুং য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ইন্তরনেস্নেল কম্যুনিটিশিংগী দিমান্দ মতুং ইন্না অমদি মীয়ামগী অপাম্বা মতুং ইন্না চোগুল কোকালা মাইদাবু প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা এপোইন্ট তৌখিবনি। মালিদা থা ৯ গী মনুংদা অমুক হন্না মিলিটরিনা কু তৌদুনা পৱার পায়শিনখিবা অদুবু ইন্তরনেস্নেল কম্যুনিটিশিংনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকপা লৈখ্রে।
মিলিটরিগী কা হেনবা থৌওং অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা অফ্রিকান য়ুনিয়ন অমদি ১৫- নেসন ইকনমি কম্যুনিটি ওফ ৱেষ্ট অফ্রিকান ষ্টেটনা মালিবু সস্পেন্দ তৌখ্রে। মালিদা ত্রুপ কয়া দিপ্লোয় তৌদুনা লালনা শোকহল্লবা লৈবাক অদুবু মতেং পাংলিবা ফ্রান্সনসু মখা তানা মিলিটরি কোওপরেসন পীররোই হায়না ফোঙদোকখ্রে। ফ্রান্সকী প্রসিদেন্ট ইমানুয়েল মেক্রেননা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ৱেষ্ট অফ্রিকাগী মনুং চনবা সাহেল রিজনদা টেরোরিষ্টশিং মায়োক য়ানবগীদমক ফ্রান্সনা লৈবাক অদুগী ত্রুপ ৫,৫০০ মফম অদুদা দিপ্লোয় তৌদুনা থম্লিবনি। ফ্রান্স ত্রুপশিং অসিনা মালি মিলিটরিনা চথবা কাউন্তর টেরোরিজম ষ্ট্রাইকশিংদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা লাক্লি। অদুবু মখা তানা মালি মিলিটরিগী থবক থৌরমশিংদা ফ্রান্সকী ত্রুপশিংনা মতেং পাংলরোই হায়রি। পনবা য়াবদি মালিদা কু তৌদুনা মিলিটরিনা পৱার পায়শিনখিবগী থৌওং অদুবু লৈবাক অদুগী মীয়াম্না অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মীখল পাঙথোক্তুনা মীয়ামগী গভর্ণমেন্ট শেম্নবা দিমান্দশিং তৌদুনা লাক্লি। অমদি অতোপ্পা লৈবাকশিংনসু মীয়ামগী অপাম্বা মতুং ইন্না থবক তৌনবা মালি মিলিটরিগী লুচিংবদা তকশিনবা লেপত্রি।

## টেক্সাস গভর্ণরনা মেক্সিকো বোর্দর ৱাল শেম শাবগী থবক অমুক রিজ্যুম তৌবা পাম্লি



ৱাশিংটন, জুন ১২ (এজেন্সী) :
মথং চয়োলদা টেক্সাসনা থংনরিবা ষ্টেট মেক্সিকোগী মরক্তা শাবা হৌরল্লগা লেপ্পুনা লৈরিবা বোর্দর ৱাল শেম শাবগী থবক অমুক হন্না হৌনবগীদক লাউথোক্লবা য়ানা লৈরে হায়না ষ্টেট গভর্ণর গ্রেগ অবোটনা ফোঙদোরক্লি।
রিপব্লিকান পোলিটিসিয়ন অমসু ওইরিবা গভর্ণর অবোটনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা বোর্দর ৱালশিং অসি হান্নগী য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ত্রম্পকী মতমদা হৌখিবনি। অদুবু য়ু এসতা জো বাইদেননা প্রসিদেন্ট ওইরকপা নুমিৎ অদুদগী শেম শাবগী থবক লেপ্পুনা লাকখিবনি।
বোর্দর ৱাল শেম শাবগী থবক হৌনবা হোৎনরিবা অদুগী মতাংদা এবোটনা চপ চাবা ইনফোর্মেসনশিং মীয়ামদা খঙহল্লকপদি লৈত্রি। অদুমওইনমক ঙমখৈগী শরুক্তা বোর্দর ৱাল খাবগী থবক চথুরিবা অদুদা মফম খরদদি অয়েৎপা কয়া থোরক্কদৌরি। মরমদি মফমশিং অদু ফেদরেল গভর্ণমেন্টকী মিংদা লৈবা অমদি ইন্দিভিজুয়েল খরগী মিংদা লৈবা মফমশিং য়াওরি।
অমরোমদা গভর্ণর অসিনা মখা তানা ফোঙদোরকখিবদা টেক্সাস অমসুং মেক্সিকোগী তাইনবা শরুকশিংদা ইলিগেল ওইবা মওংদা মীওই কয়া চথোক চৎশিন তৌরিবা অসি থিংনবগী পান্দমদা বোর্দর ৱাল শেম শাবগী থবক হৌখিবনি। জো বাইদেন এদমিনিষ্ট্রেসন্নসু থবক অসিদা অয়াবা পীরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ হায়রি।

## নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা মীওই ১৩ অশোক অপন নংখ্রে

হ্যুষ্টন, জুন ১২ (এজেন্সী) :
টেক্সাস সিটিগী মনুং চনবা অষ্টিনদা ঙসি মশক খঙদবা খূৎলাই পায়বা মীওই অমনা মফম খংদনা নোংমৈ কাপ্পগী থৌদোক্তা মীওই ১৩ অশোক অপন নংখ্রে হায়না ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা থৌদোক অদুদা চেন্নরিবা মীওইশিং ফানবা থি হুম্বগী থবক অকনবা মওংদা চথুরি হায়রি। পুলিসনা হীরম অসিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবদা ঙসি অয়ুক অঙনবা পুং ১.৩০ রোম তারকপদা অষ্টিনগী দাউন টাউনদা নোংমৈ কাপ্পগী খোঞ্জেলশিং তাখি। খুদক্তা মনাক নকপদা লৈবা পুলিসনা মফমদুদা চংশিল্লুবদা মীয়ামশিং মফম খঙদনা চেনবা থেংনখি। পুলিসনা মফমদু য়ৌশিনখিবা মতমদা অশোকপশিং লৈমায়দা তাদুনা লৈরমখিবনি হায়রি।

## অফঘানিষ্টানদা বোম ২ পোকখায়বগী থৌদোক্তা মীওই ৭ শিরে

কাবুল, জুন ১২ (এজেন্সী) :
অফঘানিষ্টাগী কোনুং কাবুলগী নোংচুপ থংবা শরুক্তা বোম অনী পোকখায়বগী থৌদোক অমদা লন্নীদা লাকখিবা বস অনীদা তোংলকখিবশিংগী মনুংদা মীওই ৭ শিখ্রে হায়না পুলিসকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।
বোম পোকখায়বগী থৌদোক অদুদা মীওই ৭ শিখিবগা লোয়ননা ১৩ না অশোক অপন নংখি। থৌদোক অদু কনানা চথখিবনো হায়বগী মতাংদা গ্রুপ অমত্তনা হৌজিক ফাওবগী ওইনদি ক্লেম তৌরকপা লৈত্রি। অদুমওইনমক গভর্ণমেন্টনদি থৌওং অদু টালিবান ফাইটরশিংনা চথখিবনি হায়না ফোঙদোরক্লি।
কাবুল পুলিসকী ৱাঙাঙলোয় বাসির মুজাহিদনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না অফগানিষ্টানদা হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিদা পেসেঞ্জর বসশিংদা টার্গেট তৌদুনা বোম পোকখায়বগী থৌদোকশিং য়াম্না তোয়না থোক্লি। অসিগুম্বা থৌদোকশিং অসিদা হন্দক থাগী ওইনা শিখিবগী মশীং ১৭ শুখ্রে।
লৈবাক অদুদগী ফোরেন ত্রুপশিং লৌথোকপা হৌখ্রবা মতুং টালিবান ফাইটরশিংনা টেরোরিজমগী ওইবা থবক থৌওং কয়া হান্নদগী চাং হেন্না চথুরক্লি। সেপ্তেম্বর ১১ ফাওবগী মনুংদা লৈবাক অদুদা হান্না দিপ্লোয় তৌদুনা লৈরম্বা ফোরেন ত্রুপশিং মপুং ফানা লৌথোক্কনি হায়না ফোঙদোকখ্রবা মতুং এটেক্কী চাং হেনগৎলকখিবনি। মসিনা মরম ওইরগা অফগান গভর্ণমেন্ট অমসুং টালিবান ফাইটরশিংগী মরক্তা শান্তিগী ৱারী শান্নবা হোৎনরিবা অদুদা চাওনা অকায়বা পীরকপা য়াই হায়রি।

## রন্নর ২১ শিহনখিবগী থৌদোক্কা মরী লৈননা চাইনানা এক্সন লৌখৎপা হৌখ্রে



বৈজিং, জুন ১২ (এজেন্সী) :
মমাং থাদা চাইনাগী গানসু প্রোভিন্সতা পাঙথোকখিবা য়াম্না অন প্রোফেসনেল ওইবা অলত্রা মরাথোন অমদা শরুক য়াখিবা রন্নর ২১ শিহনখিবগী থৌদোক অদুগা মরী লৈননা চাইনানা সেনিয়র ম্যুনিসিপাল গভর্ণমেন্ট ওফিসলশিং য়াওনা মীওই ২৭ কী মথক্তা ক্রিমিনেল চার্জ তৌখিবগা লোয়ননা এক্সন লৌখৎপা হৌখ্রে হায়না লোকেল ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরক্লি।
চাইনাগী অৱাং নোংচুপ থংবা শরুক্তা লৈবা গানসু প্রোভিন্সতা মমাং থাগী ২২ দা কিলোমিটর ১০০ শাংবা মরাথোন অদু শিনখিবনি। প্রোভিন্স অদুগী মনুং চনবা চীংগী শরুক্তা পাঙথোকখিবা মরাথোন অদুদা শরুক য়াখিবা রন্নরশিং অদুগী মনুংদা খরদি কা হেন্না ঈংবা অমদি অকনবা উন তারকপগী থৌদোক্তা শিখিবনি।
রন্নর ২১ শিখিবা অদুগী মনুংদা চাইনাগী ওইনা মমিং লৈরবা অলত্রা মরাথোন রন্নর লিয়ান জিংসু য়াওরি। নন ষ্টেন্দর্দ ওইবা অমদি অন প্রোফেসনেল ওইবা মওংদা মরাথোন অদু শিনখিবনা মরম ওইরগা লাইবকথিবা থৌদোক অদু থোকখিবনি হায়না চাইনিজ ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মরাথোন অদু শিনবদা শরুক য়াখিবা কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ চাইনাগী সেক্রেটরি সু জুন অমসুং বাইয়িনদি মেয়র জান সু চেনগী মথক্তসু দিসিপ্লিনরি এক্সনশিং লৌখৎপা হৌখ্রে হায়রি।

## ইরাক্তা শেঙ্গা থুমজাগা মরী লৈননা গভর্ণমেন্টকী মরু ওইবা ওফিসর ২ ফাগৎখ্রে

বাঘদাদ, জুন ১২ (এজেন্সী) :
কষ্টমগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিংদা শেঙ্গা থুমজাগী থবক চাওনা চখুখি হায়বগী মরালদা জেনরেল অনী ফারে হায়না ইরাক ওথোরিটিনা ঙসি লাউথোকখিবগা লোয়ননা শেঙ্গা থুমজা তৌবা ওফিসর মশীং য়াম্বনা মরম ওইবনা চহী অমদা লৈবাক অদুদা লাক্কদবা রেভেন্যু কয়া মী লৈনবা দিপার্টমেন্ট য়ৌরকপা ঙমদনা লৈরি হায়না ফোঙদোরক্লি।
ইরাক ওথোরিটিনা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না ফারবা মীওই অনী অদু উম কসরগী গল্ফ পোর্টতা থবক তৌবা ঙাক্তনি। হায়রিবা পোর্ট অসিদা মরু ওইনা চানা থক্লবা পোৎলমশিং অমদি মেদিসিনশিং থাংদোক থংজিন তৌবগী থবকশিং তৌরি। মফমদুদা মথৌ তৌরিবা জেনরেল অনী অদুনা পোৎ চৈ পুদুনা লাকখিবা মীওইশিংদগী নম হাদুনা শেল লৌরে হায়বগী অকক্লবা পাউ অমা ফংলবা মতুং ইরাক ওথোরিটিশিংনা মফমদুদা চঙশিন্দুনা থি হুম্বগী থবক চখি। মদুদা উম কসরগী অৱাং থংবা শরুক্তা মথৌ তৌরিবা জেনরেল অমগী ওফিসতা দোল্লর লীশিং ১ ফাগৎখি। অদুগা অতোপ্পা জেনরেল অমনা শীজিন্নদ্রবা বাস্কেট অমদা দোল্লর ২,১০০ লোত্তুনা থনমখিবনি হায়রি।

## কোভিদনা কা হেন্না শোকহল্লবা লৈবাকশিং

| # | Country, Other | Total Cases | New Cases | Total Deaths | New Deaths | Total Recovered | Active Cases |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | World | 176,104,156 | +70,685 | 3,802,165 | +1,679 | 160,032,629 | 12,269,362 |
| 1 | USA | 34,306,446 | | 614,738 | | 28,346,324 | 5,345,384 |
| 2 | India | 29,359,155 | +1,122 | 367,097 | | 27,911,384 | 1,080,674 |
| 3 | Brazil | 17,301,220 | | 484,350 | | 15,718,593 | 1,098,277 |
| 4 | France | 5,733,838 | | 110,344 | | 5,483,618 | 139,876 |
| 5 | Turkey | 5,319,359 | | 48,593 | | 5,192,945 | 77,821 |
| 6 | Russia | 5,193,964 | +13,510 | 126,073 | +399 | 4,792,169 | 275,722 |
| 7 | UK | 4,550,944 | | 127,884 | | 4,284,733 | 138,327 |
| 8 | Italy | 4,241,760 | | 126,924 | | 3,949,597 | 165,239 |
| 9 | Argentina | 4,093,090 | | 84,628 | | 3,668,672 | 339,790 |
| 10 | Spain | 3,733,600 | | 80,501 | | 3,509,730 | 143,369 |
| 11 | Germany | 3,720,811 | | 90,398 | | 3,573,600 | 56,813 |
| 12 | Colombia | 3,694,707 | | 94,615 | | 3,435,109 | 164,983 |
| 13 | Iran | 3,020,522 | +7,444 | 81,911 | +115 | 2,640,281 | 298,330 |
| 14 | Poland | 2,877,243 | +239 | 74,562 | +47 | 2,648,207 | 154,474 |
| 15 | Mexico | 2,448,820 | +3,282 | 229,821 | +243 | 1,948,268 | 270,731 |
| 16 | Ukraine | 2,222,701 | +1,274 | 51,646 | +69 | 2,125,685 | 45,370 |
| 17 | Peru | 1,998,056 | | 188,100 | | N/A | N/A |
| 18 | Indonesia | 1,901,490 | +7,465 | 52,730 | +164 | 1,740,436 | 108,324 |
| 19 | South Africa | 1,730,106 | | 57,592 | | 1,598,293 | 74,221 |
| 20 | Netherlands | 1,670,498 | | 17,708 | | 1,560,046 | 92,744 |
| 21 | Czechia | 1,665,022 | +180 | 30,224 | +1 | 1,629,375 | 5,423 |
| 22 | Chile | 1,461,419 | | 30,472 | | 1,382,124 | 48,823 |
| 23 | Canada | 1,399,716 | | 25,886 | | 1,355,419 | 18,411 |
| 24 | Philippines | 1,308,352 | +8,027 | 22,652 | +145 | 1,225,359 | 60,341 |
| 25 | Iraq | 1,246,860 | | 16,668 | | 1,164,103 | 66,089 |
| 26 | Sweden | 1,083,456 | | 14,537 | | 1,018,539 | 50,380 |
| 27 | Romania | 1,079,657 | +127 | 31,804 | +5 | 1,044,000 | 3,853 |
| 28 | Belgium | 1,074,988 | +784 | 25,075 | +7 | 992,815 | 57,098 |
| 29 | Pakistan | 939,931 | +1,194 | 21,633 | +57 | 875,581 | 42,717 |
| 30 | Portugal | 855,951 | | 17,044 | | 814,318 | 24,589 |
| 31 | Israel | 839,653 | | 6,428 | | 833,007 | 218 |
| 32 | Bangladesh | 824,486 | +1,637 | 13,071 | +39 | 764,024 | 47,391 |
| 33 | Hungary | 806,790 | | 29,904 | | 724,614 | 52,272 |
| 34 | Japan | 771,840 | +1,937 | 13,977 | +70 | 724,804 | 33,059 |
| 35 | Jordan | 742,521 | | 9,577 | | 725,082 | 7,862 |
| 36 | Serbia | 714,634 | | 6,951 | | 702,994 | 4,689 |
| 37 | Switzerland | 700,051 | | 10,859 | | 666,384 | 22,808 |
| 38 | Malaysia | 652,204 | +5,793 | 3,844 | +76 | 572,113 | 76,247 |
| 39 | Austria | 648,387 | +200 | 10,652 | | 633,538 | 4,197 |
| 40 | Nepal | 606,778 | +2,382 | 8,366 | +61 | 527,111 | 71,301 |
| 41 | UAE | 596,017 | +2,123 | 1,724 | +4 | 575,288 | 19,005 |
| 42 | Lebanon | 542,375 | | 7,790 | | 526,598 | 7,987 |
| 43 | Morocco | 523,165 | | 9,202 | | 510,623 | 3,340 |
| 44 | Saudi Arabia | 463,703 | | 7,537 | | 446,054 | 10,112 |
| 45 | Ecuador | 437,121 | | 20,997 | | 398,645 | 17,479 |
| 46 | Bulgaria | 420,213 | | 17,893 | | 389,368 | 12,952 |
| 47 | Greece | 413,954 | | 12,381 | | 388,931 | 12,642 |
| 48 | Belarus | 403,845 | | 2,958 | | 396,650 | 4,237 |
| 49 | Kazakhstan | 400,214 | +1,118 | 4,150 | +14 | 375,457 | 20,607 |
| 50 | Bolivia | 400,047 | | 15,321 | | 315,304 | 69,422 |